## ৩৮ শুবা ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট

# তেকচম অমদি মেজর করন অনীশুবা সেমীফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চঞ্চরিবা ৩৮ শুবা মেন্স ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা তেকচম পোলো ক্লব অমদি মেজর করন পোলো ক্লব অনীনা থা অসিগী ২৭কী নুংথিল পুং ২দা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা তেকচম পোলো ক্লবনা লম্ফেল পোলো ক্লব-এবু ১০-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



এস সদানন্দনা অহানবা চক্করগী শান্নবগী ১.২০দা তেকচমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা এস রঞ্জিৎনা চক্কর লোইরমদাই শান্নবগী ৭.০২দা তেকচমগী অনীশুবা গোল চনখি। এম দোরেননা অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ১.২০দা তেকচমগী অহুমশুবা গোল চনখি। কেপ্টেন পি জে াটিননা চক্কর অসিগী শান্নবগী ৫.০২দা তেকচমগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অহুমশুবা চক্করগী ৩.১০ অমদি ৬.২১ অদুগা ৪শুবা চক্কর হৌরকপগী ০.৫৬তা গোল ৩ অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

ঐচ মুহিন্দ্রোনা অহুমশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.২১দা তেকচমগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অরোইবা চক্করগী শান্নবগী ৫.২১ অমদি ৬.৩৫দা মায় পাকপগী ৯শুবা অমদি ১০শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

লম্ফেল টিমগী গোল ২ অদুনা অবুং সরাংথেমনা অহানবা চক্করগী ২.৩০ অমদি ৬.২১দা চনখি। মেটচ অসিদা টি ঐচ মোমোচা অমদি এল অতাংবনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মেজর করন পোলো ক্লবনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-সীবু ৫-৪দা মায়থীব পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম অনীনা অনীশুবা চক্কর লোইবা ফাওবদা লম্বা মান্ননা শান্নদুনা স্কোর ৩-৩দা দ্রো ওইখি। পুলিস টিমগী এস বিমোলনা অহানবা চক্করগী ১.৪৯দা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা চক্কর অসিমক্কী শান্নবগী ৫.৩০ অমদি অনীশুবা চক্করগী ৬.০৪দা গোল ২ অমগা হাপচিনবা ঙমখি। টি ঐচ সন্তোশনা অহানবা চক্করগী ৪.২০দা মেজর করনগী অহানবা গোল চনখি। ও রোজরনা অহানবা চক্কর লোইরমদাই ৬.৫৯ অদুগা এল থোমসননা অনীশুবা চক্করগী ৫.৩১দা মেজর করন টিমগী অনীশুবা অমদি ৩শুবা গোল চনখি।

অহুমশুবা চক্করগী শান্নবদা পুলিস টিমগী টি রোশননা শান্নবগী ৬.৫৭তা গোল ১ হাপচিন্দুনা মেজর করন টিমবু ৪-৩দা অহুমশুবা চক্কর লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অরোইবা চক্করগী শান্নবদা টি ঐচ সন্তোশনা শান্নবগী ২.২৬তা মহাক্কী অনীশুবা অমদি ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি। টিম অনীনা স্কোর মান্নরবা মতুং ও রোজরনা শান্নবগী ৫.২৫দা মেজর করনগী মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনশিন্দুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা টি ঐচ মোমোচা অমদি এল অতাংবনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল মেটচ অনী থা অসিগী ২৭তা শান্নরগনি।

## হিরো সন্তোশ ট্রোফি ২০২২-২৩

# মণিপুরনা হিমাচল প্রদেশ ৫-২দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

মণিপুরনা যূম্বু ওইদুনা চঞ্চরিবা ৭৬ শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর হিরো সন্তোশ ট্রোফি ২০২২-২৩গী গ্রুপ-৬কী ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা যূম্বু টিম ওইরিবা মণিপুরনা হিমাচল প্রদেশপু লাকচনা ৫-২দা মায়থীবা পীখ্রে।



মেটচ অসিদা ষ্টেটকী নুপামচাশিংনা শান্নবা হৌরকপদগী খূদুম চন্না শান্নবগা লোয়ননা মোইরাংথেম মালেমঙানবনা শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। য়ামি লোংভানা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা মণিপুরগী অনীশুবা গোল চনখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই কিষন থোঙামনা শান্নবগী ৪১ শুবা মিনটতা মণিপুরগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা হিমাচল প্রদেশপু ৩-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা সৌরভ কুমারনা শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা হিমাচল প্রদেশকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা মোইরাংথেম মালেমঙানবনা শান্নবগী ৬১ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। রোনাল্ড সাইখোমনা শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা মণিপুরগী মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ লোইরমদাই হিমাচল প্রদেশকী কেপ্টেন হেমন্ত থাকুরনা শান্নবগী ৮৫ শুবা মিনটতা গোল ১ হাপচিন্দুনা মণিপুরগী মখূৎতা ২-৫দা মায়থীখি।

মেটচ অসিদা রেফরি দিপক সিংঘনা হিমাচলগী সৈত্যমকুমার অমদি মণিপুরগী মোইরাংথেম মালেমঙানবা শান্নবগী ১২ অমদি ৭৬শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা মফমদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পঞ্জাবনা লক্ষ্যদিপপু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

পঞ্জাবকী মায় পাকপগী গোল অহুম অদু অমরপ্রিট সিংহ, পরমজিৎ সিংহ অমদি বিপুল কলামনা শান্নবগী ১৫, ৮০ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঈ এস য়ু গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ঝরখন্দনা চান্দিগরবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। বিরসা টুদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা ঝরখন্দগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী মরুওইবা গোল অদু চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি ভিম কুমার ছেত্রিনা ঝরখন্দগী সঙ্কর ওরাউন অমদি রাইসেন হন্সদাবু শান্নবগী ২১ অমদি ৫৪ অদুগা চান্দিগরগী নাওরেম গোবিন্দাসপু মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৯শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চঞ্চরকপা ওইনা থা অসিগী ২৭তা মেটচ অহুম শান্নরগনি।

## এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# থাও থাংমৈবন্দ অমদি ৱাই দব্লিয়ু সী মায় পাকখ্রে




ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চঞ্চরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা শান্নখিবা মেটচ অনীদা থাংমৈবন্দ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (থাও) থাংমৈবন্দ অমদি ৱাই দব্লিয়ু সী পাৎসোই মায় পাকখ্রে।

মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা থাও থাংমৈবন্দনা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওবু রন ৯৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

থাও থাংমৈবন্দনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩৩দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২১১ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা থাংমৈবন্দগী বেটসমেন মালেশকুমার ঙাংবমনা বোল ৪৯দা রন ৫০, হিজম অনিলকুমারনা বোল ৪১দা রন ৪৬, দাইমন্দনা বোল ৪৬তা রন ৪২, রোশনিকুমার ঙাংবমনা বোল ৪০দা রন ৩১ অমদি সঞ্জিভ ইরেংবমনা বোল ১৩দা রন ২৬ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা ক্ষেত্রিগাওগী বোলর অনিশ অহমদ অমদি কেপ্টেন মোহমদ অব্দুলা খাননা ওভর ৫/৫ লংবদা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা কে আই ৱাই সীনা ওভর ২৩.৩দা ওল আউট ওইদুনা রন ১১৭ লৌদুনা থাংমৈবন্দ টিমগী মখূৎতা রন ৯৪দা মায়থীখি।

ইন্নিংস অদুদা থাংমৈবন্দগী বোলর খুন্দ্রাকপম এদেননা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ৩ অদুগা এস সুরেশ, মালেশকুমার ঙাংবম, খুমুকচম রোমেশ, রাজকুমার থাপা অমদি হিজম অনিলকুমারনা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

লোইশিল্লকপদা থাওগী ওল রাউন্দর ঙাংবম মলেশকুমারনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৪৯দা রন ৫০ অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ১ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই দব্লিয়ু সী পাৎসোইনা এস এস য়ু শীংজমৈ কক্ৱাবু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই দব্লিয়ু সী পাৎসোইনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। এস এস য়ুনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৪০দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২০৮ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা ৱাই দব্লিয়ু সীনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ৩৮.৪দা ৱিকেট ৭ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা এস এস য়ুবু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা শীংজমৈগী সমুরাইলাৎপম দিপানকরনা আউট ওইদনা বোল ৯১দা রন ৭২ লৌদুনা বেটসমেনগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীখি।

ৱাই দব্লিয়ু সীগী কেপ্টেন লাইখুরাম জগৎনা ওভর ৮ লংবদা মেদান ওভর ১ য়াওনা ৱিকেট ৪ লৌদুনা বোলিংগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীখি। মহাক্না লোইশিল্লকপদা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু ফংবা ঙমখি।

## ওল ইন্দিয়া মাষ্টর রেঙ্কিং বেদমিন্টন

# বিমোল অমদি কুমারনা চহী ৬৫ মথক্কী দবলসকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

রাজস্থানগী উদিপুরদা থা অসিগী ১৭তগী হৌদুনা চঞ্চরকপা য়োনেক্স সনরাইজ ওল ইন্দিয়া মাষ্টর্স রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী শান্নরোয় সী ঐচ বিমোল অমদি এল কুমারনা চহী ৬৫ মথক্কী মাষ্টর্স দবলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা সী ঐচ বিমোল অমদি এল কুমারগী প্যেরনা ষ্টেটকী শান্নরোয় ঐচ পারুন অমদি নিংঙোম্বম রাজেনগী প্যেরবু ষ্ট্রেট সেট ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

বিমোল অমদি কুমারগী প্যেরনা পারুন অমদি রাজেনগী প্যেরবু অহানবা সেটকী শান্নবদা পোইন্ট ২১-১৫দা মায়থীবা পীখি। মখা তানা অনীশুবা সেটকী শান্নবদসু ২১-১৭তা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

## ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# জাফৌনা প্রি ভেটরান, লিৱা সরৈনা নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

সির্তি ওলিম্পিক্স এসোসিএসন (এসওএ)না শীন্দুনা লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা চঞ্চরিবা ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ভেটরান কেটগোরিগী ফাইনেল মেটচতা জাফৌনা লিৱা চংনিংবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।



অতোপ্পা নুপীগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা লিৱা সরৈনা মোন্সাং পান্থা য়ুঠ কলচরেল ক্লবপু টাই ব্রেকতা ৫-৩দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

প্রি ভেটরান কাঙলূপকী জাফৌ অমদি লিৱা চংনিং অনীনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা লিৱা চংনিংগী এন জি ফমসিরনা শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়ননা জাফৌবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা এস ঐচ মোসাইঙমনা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। টিম অনীনা স্কোর মান্নরবা মতুং এন জি সেমসননা শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা জাফৌগী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরি ভি এ লোরেন্সনা মায় পাকখিবা জাফৌগী এস ঐচ ষ্টারসনবু শান্নবগী ৭৮ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অমরোমদা, নুপীগী লিৱা সরৈ অমদি মোন্সাং পান্থা য়ুঠ কলচরেল ক্লব অনীনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

লিৱা সরৈগী গোল অনী অদুনা দব্লিয়ু সালোমি অমদি দব্লিয়ু গ্রেসমিনা শান্নবগী ৩ অমদি ১৭তা চনখি অদুগা মোন্সাং পান্থাগী গোল অনী অদুনা কে ঐচ পেনিংচিম অমদি দব্লিয়ু সংনিংলানা শান্নবগী ১৬ অমদি ৫৭তা চনবা ঙমখি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা মোন্সাং পান্থাগী মায়কৈদগী কে ঐচ পেনিংচিম মথন্তা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা লিৱা সরৈগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অহুম- দব্লিয়ু গ্রেসমি, দব্লিয়ু সালোমি অমদি এস ঐচ সুন্দরিনা গোল ওন্থোক্তুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

# দি এম এফ সী সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

ইরেংবন্দ গ্রাউন্দদা চঞ্চরিবা ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা দি এম এফ সী মোরেনা থৌবাল এফ সীবু টাই ব্রেকতা ৬-৫দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা থৌবালগী সুন্দর অমদি মোরে টিমগী অজে অমদি রোবর্টসনবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা থৌবাল এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৫না গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা দি এম এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৬না গোল ওন্থোক্তুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

# এস এ এমনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিগী ওফিসল ৪ - মাষ্টর সী ঐচ প্রেমচান্দ, ডা. নাওরেম ইবোহল মীতৈ, খাঙেম্বম চিঙ্খৈঙানবা মৈতৈ অমদি ওইনাম সুরেশনা নেসনল সেবাটে রেফরি, জজেজ অমদি নেসনল সেবাটে কোর্স দিপ্লোমা ফংলকপদা সেবাটে এসোসিএসন ওফ মণিপুর (এস এ এম)না হরাউবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

ওজাশিং অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা চহী অসিগী মে থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল ফেদরেসন কপতা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্নবা কোচিং কেম্প তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট মরিদা চঞ্চরগনি হায়রি।

## ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল

# ৱাই দি সী অমদি ৱাই দব্লিয়ু এ ক্বার্টর চঙখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লব (ঐচ এন এস সী) অমদি হাওরৈবী অপূনবা এফ সী অনীনা খূৎশম্নরা শীন্দুনা হাওরৈবী কাংজৈবুংদা চঞ্চরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা ৱাই দি সী এফ সী ক্যামগৈ অমদি ৱাই দব্লিয়ু এ ৱাঙ্গৈাই ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



হাওরৈবী কাংজৈবুংদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱাই দি সী ক্যামগৈনা ৱাই য়ু সী মৈজ্রাওবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই দি সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী মরুওইবা গোল অদু মুষ্টাকুকনা অহানবা হাফকী শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি সনাতোম্বনা ৱাই দি সীগী জাহিদ অমদি ইনাওবা শান্নবগী ৩৯ অমদি ৪৮দা অদুগা ৱাই য়ু সীগী এন অরুনদট্টু শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱাই দব্লিয়ু এ ৱাঙ্গৈাইনা অরাপ্তি এফ সীবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

রোহিটনা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা ৱাঙ্গৈাই টিমগী অহানবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪২দা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। খেরিসন অমদি অজিৎনা শান্নবগী ২৭ অমদি ৬৮ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ২শুবা অমদি ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি।

অরাপ্তি এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা য়ুহেনবনা শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# অম্বাগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (অম্বা)গী ২০২৩দগী ২০২৭ ফাওবগী চহী ৪গী নৌনা থৌ পুনবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মেম্বর ১৭ খনখ্রে।

নোংমৈকাপ্পম রতননা প্রিসিদেন্ট, লাইশ্রম জয়চন্দ্র অমদি য়ুমখাইবম সুজিৎকুমারনা ভাইস প্রিসিদেন্ট, য়ুম্লেম্বম সুনন্তনা জেনরেল সেক্রেটরি, নাওরেম রঞ্জিৎ অমদি য়াঙম্বম নিলবিরনা জোইন্ট সেক্রেটরি অমদি শৌগ্রাকপম সনাথোইনা ট্রেজরর ওইনা খনখি।

অচোম সোলোমোন, খুন্দ্রাকপম প্রদিপকুমার, নেপ্রম কিষন, খোইনাইজম রোহেন, সোয়াম বিরমণি, সামোম ধ্রুবা, তায়েঞ্জম অথেম, ময়াংলম্বম গোদাদোর, আর কে মণিসনা অমদি মুজিবুর রাহমননা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা খনখি।

# প্রধান ট্রোফি : মরুপ এফ সী সেমী চঙখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

হয়েল গ্রাউন্দদা চঞ্চরিবা প্রধান ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মরুপ এফ সীনা এম ৱাই দি এ এফ সীবু টাই ব্রেকতা ৫-৪দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা স্কোর ১-১দা দ্রো ওইখি। এম ৱাই দি এগী গোল অদুনা থাংজনা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা চনখি অদুগা মরুপ এফ সীগী গোল অদুনা প্রেমজিৎনা অহানবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা চনখি। মখা তাবা টাই ব্রেকতা এম ৱাই দি এগী দি জি, সুরজ অমদি ইজাজনা গোল ওন্থোকখি অদুগা মরুপ এফ সীগী মায়কৈদগী প্রেমজিৎ, শিতল, চিঙ্খৈ অমদি কবিরাজনা গোল ওন্থোক্তুনা মায় পাকখিবনি।

# ষ্টেটকী ফুটবোল্লর ৫ ট্রেনিং কেম্পকী কৌরক্লে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

চহী অসিগী জুলাই থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এস এ এফ এফ অন্দর-১৯ চেম্পিয়নশিপ অমদি মথং চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী অন্দর-২০ এসিয়া কপ ক্বালিফায়র্সকী ইন্দিয়া টিম প্রিপরেসনগী ওইনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১দগী হৌদুনা ওরিষ্যাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রেনিং কেম্পতা শরুক য়ানবা ষ্টেটকী অন্দর-১৯ বোইজ ফুটবোল্লর ৫ কৌরক্লে।

শান্নরোয়শিং অদুদি অর্জুন ওইনাম, সুরেন্দ্র কোঞ্জেংবম, অভিসেক তেকচম, স্রিদার্থ নোংমৈকাপ্পম অমদি কেলভিন তাওরেমনি।

শান্নরোয়শিংনা ফেব্রুৱারী ১দা ভুবনেশ্বরদা চৎতুনা টিম মেনেজর কাসিফ কমরামদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

# বোক্সিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসনদা লৈনবা চহী ১১দগী ১৫ ফাওবা ফ্রেশরশিং অমদি চহী ১৪দগী ২০ ফাওবগী স্কিল বোক্সরশিং লৌনবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৩০ অমদি ৩১গী অয়ুক পুং ১১দা লাঙ্গোলগী নেসনল গেম ভিলেজদা লৈবা একাদেমি অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোক্লগনি। শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ২৮-গী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম থাজিল্লক্লবা খঙহল্লক্লি।

# ফেন্সিংগী রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

খেলো ইন্দিয়া, সাই অমদি এফ এ আইগী লমজিং মখাদা ওরিষ্যানা যূম্বু ওইদুনা কটককী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ফেব্রুৱারী ২৩দগী ২৬ ফাওবা অনীশুবা ফেজকী ওইনা খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স লীগ অমদি রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ষ্টেটকী নুপী ফেন্সরশিংনা ফেব্রুৱারী ১০ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 36/SDC/IW(P) of 2023**

Kamei Dandi Rongmei S/o Kamei Mitphing Kabui of Sagolband Ramji Kabui Khul.

-Petitioner

-Vs-

(L) Arimba Kabui S/o (L) Mathokaba Kabui of Yurembam.

-O.P. Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

23rd January, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই:ও: পাৎশোই তাহসিলগী খুল নং 79-Yurembam গী পাট্টা নম্বর 133 (Old) 22 (New) দাগ নম্বর 1146 গী পোইন্ট 0.61 একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৩০/০১/২০২৩ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চঞ্চরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/5695/25

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 697**

**WFM Patil Bhagyashree (1920) - WIM Srishti Pandey (2198)**
**48th ch-IND w 2022 Hatkanangale IND, 2023.01.02**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bc4 Bc5 | 4.c3 Nf6 |
| 5.d3 d6 | 6.O-O O-O | 7.Nbd2 a5 | 8.Bb3 Be6 |
| 9.Re1 h6 | 10.Nf1 Bxb3 | 11.Qxb3 a4 | 12.Qc2 Re8 |
| 13.Ng3 d5 | 14.Nf5 dxe4 | 15.dxe4 Ne7 | 16.Be3 Bxe3 |
| 17.Nxe3 Ng6 | 18.Nf5 b5 | 19.a3 Ra6 | 20.Qe2 Rb6 |
| 21.g3 Qa8 | 22.Rad1 Nf8 | 23.Qe3 Qc6 | 24.h3 N8d7 |
| 25.N3h4 Qc5 | 26.Qc1 Qf8 | 27.g4 Nc5 | 28.Ng3 Ne6 |
| 29.Ng2 Ng5 | 30.Ne3 Nf3+ | 31.Kg2 Nxe1+ | 32.Rxe1 Rc6 |
| 33.Rh1 Nd7 | 34.Nd5 Nb6 | 35.Nb4 Rg6 | 36.Rd1 Rd8 |
| 37.Nf5 Re6 | 38.Rd2 Kh7 | 39.Nd5 g6 | 40. ... |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 696 Ans. :**

18. Qh6 Mating net
gxh6 19. Nxh6# Dragonfly mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com